ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯅꯄꯥꯎ

ꯊꯥꯡꯖ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯹ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

**হুইয়েন লানপাউ**

থাংজ, ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩২৯শুবা মশীং

## লায়েংনবগী পান্থে লৈত্রিবা লাইচৎ

### মালেমগী লৈবাক ৪৭তা মীওই ৩০০০ লোম শিহনখ্রে

অহানবদা চাইনা মনুং খক্তদা শন্দোক্লম্বা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎনা হৌজিক্তি মালেমগী অতোপ্পা লৈবাক ৪৭তসু শন্দোরক্লে। অনাবগা নক্লরুবসু নৎতবা মীওই অমা কেলিফোর্নিয়াদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরকপা মরম্না হৌজিক্তি লায়না-লাইচৎ অসি খূদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা শন্দোরক্লে হায়না লৌবা য়ারে। ব্রাজিল, অলজিরিয়া, সাউথ কোরিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াদা অনৌবা কেস কয়া থেংনখ্রবা কোরোনাভাইরসনা কন্টিনেন্ট পূম্নমক্তা শন্দোরক্লে। চাইনাগী হুবৈ প্রোভিন্স মনুং চনবা ৱুহান সিটিদা ইহান হান্না থেংনরকখিবা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৮১,১০৯ লোম মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরে। চাইনা খক্তদা পোজিটিভ ওইবগী কেস ৭৮,১৯১ শুখিবগা লোয়ননা মীওই ২,৭১৮ শিখ্রে। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ৪৭তা শন্দোকখ্রবা লায়না অসিনা শিহনখিবা মীশীং ৩,০০০ লোম য়ৌশিল্লক্লে হায়রি। লায়না-লাইচৎ অসি চাইনা মনুংদা শন্দোকপদগীদি অতৈ-অতোপ্পা লৈবাকশিংদা শন্দোকপনা খোঙজেল য়াঙবা হেনগৎলকপগী মওং অমা উবা ফংলে। মমাঙ থাদা দব্লিয়ু ঐচ ওনা ভাইরস অসিগী মতাংদা পব্লিক হেল্থ ইমর্জেন্সি লাউথোকখ্রবসু হৌজিক ফাওবা পেন্দেমিক ওইরে হায়না লাউথোকপমক্তি তৌদ্রি। চৈরকসিদা য়ু এসকী সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, অৱাং থংবা কেলিফোর্নিয়াদা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়রিবা মীওই অদু মপান লৈবাক্তা চৎলুবা লৈতে। অনাবা মীগী মনাক নক্লুবসু লৈতে। মরম অদুনা খুন্নাইদা মীওইবা মশেলগী মরক্তা লায়না-লাইচৎ অসি তপ্না-তপ্না শন্দোরক্লে হায়না লৌবা য়ারে। সিভিয়র একুয়্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (সারস) অমসুং মিদল ইষ্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম (এম ঈ আর এস)নচিংবা ভাইরস মখল কয়াগী মরক্তগী শক্লোন হোংলবা ভাইরস অমা ওইরিবা কোরোনাভাইরসনা মমাঙদা অমুক্তা মীওইবদা ইনফেক্সন তৌদুনা অনা-অয়েক য়াওহল্লকপা লৈখিদ্রি। তোঙান-তোঙানবা শা কয়াদা কোরোনাভাইরস য়াওরবসু মীওইবদা শন্দোরকপা য়াওখিদ্রি। হৌজিক মীওইবদা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস লাইচৎকী মরু ওইবা লাইওংশিংদি লাইহৌ হৌবা, লোক খূবা অমসুং চনিং লৈতানা নিংশা শ্বর হোনবা ঙমদবনি। ফীভম হেঞ্জিনখ্রগা ন্যুমোনিয়া, সিভিয়র একুয়্ট রেস্পিরেটরি সিন্দ্রোম অমসুং কিদনি ফেল ওইদুনা মী শিহনবা য়াই। ঙাকথোক্লবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাংশিংদি খূৎ-শা শেংনা অমসুং তোয়না হাম্বা; লোক খূবা অমদি হাকথি খনবদা চীন-নাতোন খুমজিনবা লোয়ননা শা অমসুং য়েরুম থোংবদা মরয় মুন্না থোংবনি হায়রি।

য়ুরোপকী ওইনা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা ইটলিদা লায়না-লাইচৎ অসি পাক-শন্না শন্দোরকপা থেংনরে। য়ুরোপকী অতৈ-অতোপ্পা মফমশিংদসু জর্ম্মনি, ফ্রান্স, নোর্ৱে, ফিনলেন্দ, নোর্থ মেসিদোনিয়া, জোর্জিয়া, গ্রীস, স্বিটজরলেন্দ, ওষ্ট্রিয়া অমদি স্পেননচিংবা লৈবাক কয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস কয়া থেংনরে। মিদল ইষ্টকী ওইনা ইরান, বাহরেন, ইরাক, কুৱেট অমদি ওমানদা অনৌবা কেস কয়া থেংনরে। য়ুমশকৈশা নুমীৎ ফাওবদা ইরানগী কনফর্ম তৌরবা কেস ২৪৫ য়ৌরক্তুনা মীওই ২৬ শিখ্রে হায়না গল্ফ ন্যুজগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। ইরানদা লৈরিবা কটার অমদি কুৱেটকী মীওই পূম্নমক হোন্দোক্লবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। সাউদি অরাবিয়ানসু চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মেকা অমদি মেদিনাদা লাইনীং-লাইশোনগী থৌরম পাঙথোকপা লাকপা মপান লৈবাক্কী মীওইশিং চঙবা থিংখ্রে। খ্বাইদগী নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি অতেনবা মতমগী মনুংদা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী মতাংদনি। অদুবু মালেমগী লৈবাক খরনা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেসশিং লোৎশিন্নবা হোৎনবগী মওং অমা উবা ফংলি। কোরোনাভাইরসকী মতাংদা অচুম্বা ৱাফম ফোঙদোকপীয়ু হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস এধানোম ঘেব্রেয়েসসনা আপিল তৌরবসু লৈবাক খরনা লায়না-লাইচৎ অসিগী চপ চাবা কেস মশীং লোৎশিনবগুম তৌরি। ব্রাজিল, জোর্জিয়া, গ্রীস, নোর্থ মেসিদোনিয়া, নোর্ৱে, পাকিষ্টান অমসুং রোমানিয়াদা কোরোনাভাইরসকী অহানবা কেস রিপোর্ট তৌরকখ্রবসু ইন্দিয়া, বেলজিয়ম, কম্বোদিয়া, নেপাল, ফিলিপিন্স, রসিয়ন ফেদরেসন, শ্রীলঙ্কা অমদি ভিয়েটনামদা মখা তানা শন্দোরকপগী রিপোর্ট তৌরকখিদ্রে। অদুম ওইনমক য়াম্না থাজদবা মওংদা ইখঙ-খঙহৌদনা ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরান, ইটলি অমসুং রিপব্লিক ওফ কোরিয়াদা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লিবা মওং-মতৌ অসি য়েংলুরগা কোরোনাভাইরসকী তোপ-তোপ্পা মতীক ময়াই অমা চেল্লি হায়না লৌফম থোকই। ইন্দিয়াদা হৌজিক মখা তানা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগী রিপোর্ট লৈত্রে হায়বা তারগসু ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্লা লৈরিবা মণিপুরগুম্বা ষ্টেটশিংদা ইখঙ-খঙহৌদনা করি ফীভম ওইরকপা য়াবগে হায়বা কনামত্তনা খঙবা ঙমদে। লৈঙাক্লা হীরমসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৪

১। কংলা লাইফমলেনদি ইবুধৌ পাখঙবগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মাগী মমাঙদা খাবা শলাই নিংথৌশিংনা মফমসিদা পাল্লম্লবনি। মণিপুর হায়বা, নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা শেমগৎলকখিবসু মফম অসিদগীনি।
 (ক) ইবুধৌ পাখঙবনা লৈরম্মী থাজনরিবা কংলাগী মফমসি কদায়দনো?
 (খ) মণিপুর কৌদুনা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরকপসি করম্বা চহীচাদগীনো?

২। "শ্রী নদীয়াবু ঐনা উজখি - পীক্লিবা নাৱাশিংগী মরক্তা য়েন্নীং হুল্লকপা বসন্ত ওইনা... মৈতৈ কাব্য লৈকোলগী তৌদ্রীগা শৈহেকমিন্নবা বাঁশী ওইনা।" ৱাফমসি কবি সঞ্জেনবম নদীয়াবু শক্তাকপা ওইনা কবি অমনা হায়রম্বনি। কবিদু কনানো?

৩। "নুপীগী ওইনদি কোক তাঙবগী শরুক অমরোমদা খৌরি ফিনা য়োমশিনবসিনা খজিক্তং হেন্না ফৈ।" ৱাফমসিনা আই বসন্তনা মাগী ৱারীমচা 'খদাং কোই' হায়বা অদুদা হায়রিবনি। মাগী ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "ইহাকথক/মালেম নঙ/ওইরি/দুসাসন্না ফি চিংলিবী দ্রৌপদী/ইচা হাক্তক/কৃষ্ণগী ফি লোইখিদুনা/লেপ্পরগনি য়েংহৈদবা শক্তমদা।" ৱাফম অসিনা অইবী হাওবীজম প্রেমানা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "চৎথোকউনে নুংশিদেনে/লাকপীনু পামজদেনে খোইমু/কুচুদা মুদে থম্মোয়সু য়াওই।" পরেং অহুম অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## থাজবনা লান্নে

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা



সুপরষ্টিসন হায়বা অসি মরম ইচা চাদনা হেক্তা থাজনবী অসিনি হায়বা তাই। মসি মতমগী মোদর্ন সাইন্স হায়নরিবা অসিদগী য়াম্না তাইওন্নবা অমনি। মী অমদা সুপরষ্টিসন ওইবা পোৎ অদু মী অমনা সুপরষ্টিসন নত্তে হায়না খল্লি। নুপানা সুপরষ্টিসন ওইনা খনবদু নুপীনা মদু সুপরষ্টিসন নত্তে হায়না হায়রকপদা মতৈ মনাও মপাম য়ৌনৈ। লাইরিক হৈবা মী অমগা লাইরিক্কী মঙাল ফংদবা মী অমগসু মরম চাবা-চাদবা খঙবা ঙম্বগী চাং খেন্নে। খুঙ্গংগী মী, সহরগী মী খেন্নবগী মতুংইন্নসু সুপরষ্টিসন্দা থাজবগী চাং খেন্নবা য়াই। লাইরিক লাইশু হৈবা মীসু মরম চাদবা পোত্তা থাজবা অদুম চাং ৱাংনা লৈবা য়াই।

নুপীশিংগীদি অঙাং উনবগী মতমদা সুপরষ্টিসনগী চাং অসি কা হেন্না ৱাংনা উই। মাগী নুপাগা মাগী নুপীগা অদু চাবা য়াই-য়াদে হায়বগী মতাংদা য়াম্না য়েৎনৈ। মাগী নুপানদি চানীং-চানীংবা চাউ হায়নি, নুপী অদুনা মদু চাবা য়াই-য়াদে হায়না তৌরক্কনি অদুগা মতৈ মনাও চৈনরক্কনি। মতমগী মমৌনুপীগা মথায় থায়নদা থাজবী মনেমগসু মতাং অসিদা চাইনগে-চাইনগে তৌবা মতাং কয়ানি। অঙাং অমনা মশা মৈমুক শাগৎলগা য়াং চিংলকপা মতমদুদা মাইবনা মন্ত্র কাম্মগা ফগনি হায়না লৈথোকপগী মাগী নুপীগা মাগী নুপাগা য়াম্না চিন্দা-পাওদানবগী ৱারী লৈ। অঙাং অমনা মশা শাগৎতুনা মশাদু ঈংথনবা ঈংহনবীরগা ঙাইহাক লৈরগা মশা মথন্তা অঙাং অদু য়াং চিংবা ফৈ হায়না রেদিওদা ডোক্তরশিংনা হায়বা তাই। মন্ত্র সু-সু অমুক কাম্লুদ্রবসু অঙাং অদু অদুম য়াং চিংবা ফজরক্কনি হায়বসি রেদিও তারগা মতম অমদা খঙখিবা কুইরে। হীদাক ঙান্থক অমুক লৈরগা ফজরগদবা অঙাংগী য়াং চিংবদু মন্ত্র অমুক কামশিনবীরুরবনিনা মন্ত্র শোল্লিবা মীশক অদুনা ফহনবনি হায়না ক্রেদিট লৌখ্রে।

ব্রেন্দা নাবা অনাবা কয়া মতম চানা লায়েংবীদে, লাই খুরুমদুনা, মন্ত্র শোন্দুনা লায়েং কয়া চখ্দুনা লৈথোক্লগা কোন্না ঙল্লক্তুবদা মমৈদা হোস্পিটালদা য়াররোইদবা মতমদা পুখৎনবসু য়াওনরি। মসিদি ডোক্তরগী অনাবা নত্তে হায়দুনা অনাবগী চিরবা মতম কয়াদু নাদবা ময়াম্না মাঙহনবীদুনা অনাবদু হাত্তোকপীবগা চপ হেক মান্নবা য়াওনরি। অরু-অরুবা লায়না কয়াবু কোকপা ঙল্লে হায়বা হীদাক লাংথক কয়া এদভর্টিজমেন্ট তৌরি, মীচম মীয়াম্না মদু চারগা, তৈরগা ফনি হায়দুনা লৈ-লৈদুনা শীজিন্নরি। এইদস, কেন্সর, দাইবেটিস, হুই অঙাওবনা চিকপা কয়া ফহনবা ঙল্লে হায়বা এদভর্টিজমেন্ট কয়াসু পাউচেশিংদা মরাং কায়রপ থেংনৈ।

লায়নাগী মরমদদি জেনরেল নোলেজ ওইনা মীপূম খুদিংমক্লা খরা খরা খঙজিন্নবা রেদিও অমদি টেলিভিজন্নচিংবদা নুমিৎ খুদিং তাবা ফংলে হায়বা য়াই। মসি মুন্না তারুবদি ঐসু লায়নাগী মরমদা লৈরম্বা লান্না থাজনবী খরা কোকপা ঙমখি। মদুগী হীদাক্তু চারুবদগী দাইবেটিস ফরে, হায়পরটেনসন ফরে হায়বা তাই। রেদিওদা, টেলিভিজন্দা অমদি অতৈ মিদিয়া কয়াদা য়াম্না তানরবা পোৎনি। ডোক্তরগী ৱাফম ঙাক নত্তে জেনরেল নোলেজনি।

হুইনা চিকপদগী শিরিবসি রেবিজ কৌবা মহিক অমনা নাহন্দুনা থোকহনবনি হায়রি। অদুগা লিননা চিকপনা মহূনি হায়রি। লিন্না চিকপগা হুইনা চিকপগা য়াম্না মান্নদ্রে হায়বা নহান্তা মখঙলি ঐবুদি। হুইনা চিকপবু মহিকনি খন্দদুনা মহূনি হায়না খল্লগা হূ চাম্নবা হীদাকনি হায়দুনা ৱাসা মতোনগা চেঙগা শাইরগা থোমদুনা কুইনা লৈথোক্তুনা অনাবা অদুবু তঙাইফদনা শিহল্লি। হুইগী লায়েংদি মদুগা চানবা মেদিকেল ত্রিটমেন্ট মতম চানা তৌহৌরগা ফৈ হায়। তশেংনা হুইগী মহিকনা নারবা অদুদি মেদিকেল ত্রিটমেন্ট মতম চানা, কাঙলোন চুম্না তৌরবা মতমদা ফবিগে হায়রি। নাবদা হুইনা চিকপগীদি ঐমক্লসু লায়েংবা ঙমগনি। তশেংনা ঙাওদা ঙাওবা হুইনা চিকপদি লায়েংবা লুই হায়বসি খঙজিনফদে। নুপীশিংনা লাইফাও কয়া থাজদুনা ইমুং-মনুং মহি লাংবা, য়ূমলোন্নবনা শেমজিল্লগা, খোৎচিল্লেগা য়াম্না নুংঙাই নুংঙাইতনা অৱাবা খাঙনৈ, পোকমিন্নবা মচিল মনাও কয়া ইস্কোল চঙনদে, কৌনদে।



মতম মতমগী ওইনা লাইনা লফু কৎলু, মোমবটি কৎলু অদু অদা য়াম্না হায়নরি। কৎনরি কান্নবনা কদাই ফাওবা কান্নরি কনাম হায়বা ঙমদে, থিজিল্লুদে। লায়না কয়া তিনকোক-লাইকোকহনবা ঙম্বা হীদাক পাম্বী অমা হৌরম্লে হায়ননি, ময়াম্না হেক্তা থাজনগনি। অদুবু অদুম মরম চাদবা পোৎ ওইরবদি মদু মতমগী ইরোলনুংদা লুপখিবা কয়ানি। মীওইবগী কোক্লবু ফজনা খল্লবদি, থিজিল্লবদি সিনা মরম চাই নৎত্রগা সিনা মরম চাদে হায়বা অসি ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি।

করি মরমগীনো হায়না হংবা তাই। জিষু খৃষ্টকী মতিক-ময়াই চেনবনি হায়বা, গনেসকী মতিক-ময়াই চেনবনি হায়বা মীশক মতম মতমগী ওইনা তানৈ, অনাবা কয়া ফহনবগী ৱারী তানৈ অদুবু মতম কুইদে। লাইগী মতিক-ময়াই চেল্লগা মতম কুইনা চৎত্রিবা করিগীনো? লায়েংবা ঙমদবা অনাবা কয়ানা চহী খুদিংগী মী লাক্ষ লাক্ষ হাৎলি। মসি অনাবা মখল শুনা লায়েংবা ঙল্লে হায়বা হীদাক কয়াসু লৈরে অদুগা মসুম্মাইনা তৌরিসি করিগী ওইরজাৎনো?

হৌজিক্তি চাইল্ড মেরিএজ পাক শন্না তারক্ত্রে, সতি মৈ থাবা মুৎখ্রে। কোলেরাবু, লাই থোকপবু লাইশিংনা থোকহনবনি হায়বা ৱাখলদু লৈত্রে। নৌনা অঙাং উনরিবী মমাদা পীজবা য়াই-য়াদে হায়না অথিংবা কয়া থল্লম্বা অদুসু হৌজিক্তি থোইনা লৈরক্ত্রে। রাজস্থান্দগী, উত্তর প্রদেশতগী বাবা অমনা ইম্ফালদা লাক্তুনা খুবাক ময়ি য়েংলনি হায়বদা না ওইনা তানরক্ত্রে, মদুগী মহুৎ ফমুংদা হিপ্পগা, পোত্থারগা লৈনরবা মতমনি। হৌজিক্তি ভুট প্রেট শানৈ হায়বফাও থোইনা তাশিল্লক্ত্রে। তম্নলাই তাখিদ্রে। লমতাই থাংজগী নুমিদাংদা চৎপা ঙম্নরমদবা অদুসু মাঙখ্রে। মসি পূম্বা ফরিব্রা নৎত্রগা ফৎত্রিব্রা হায়বা ৱাফম অদুনা তোঙাল্লি। অদুবু মসি পূম্বসি শুংলৈমক লৈত্রে হায়বসু য়াদ্রি।

মালেম উৎ ওল্লনি, নুমিৎ কয়ানি পূম্মম মল্লনিকা হায়বগুম্বা ৱা কয়াসু তানখি অদুবু মদু অরানবা তারগা তোক্লখি। হায়রিবা ৱাশিং অদুসু মশক মমিং, পুংফম, নুমিৎ থা, তাং চপ চানা পল্লগা ময়েক শেংনা হায়রম্বসু অমত্তা নত্তে। শৈরেংদৌনা, অরোৎ ৱা ওইনা হেক্তা ইরগা থনম্বনি। মদু ঐখোয়না শোমদা শাদোক্লগা ওইহন্নীংবা মওংদা অমুক ৱাহন্থোক পীবসু য়াওদবা নত্তে।

ইন্দিয়াদি গোদমেন মরাং কায়না লৈবা লৈবাক অমনি। ইকুই কুইদনা হন্দক্তা সনা কেজি কয়া লৈনুংদা লোৎতুনা লৈরমগনি হায়না গোদমেক অমনা হায়দুনা এক্সকাভেসন তৌহনখি অদুবু ফোরসাৎ তাদুনা তোকখি। গনেশনা শঙ্গোম থকপগী ৱাফম লাকখি।

মমিং লৈর-লৈরবা মীশক মীওই কয়াসু লান্না থাজবদা ঙাওবা য়াওনরি। মখোয়গুম্বনা মদুম তৌরবনিনা মীচম মীয়ামদি অদুম ইনবা তাবনি। লান্না থাজনবীনা মতম মাঙহল্লি, শেল মাঙহল্লি, পাঙ্গল ৱাহল্লি। লান্না থাজবা হায়বসি থোইদোক্না মাঙজে হায়বা তাই। ●

## ক্বেসন লিক ওইবগী কান্নবা

### নবকুমার ওইনা

অশিবনা খোংবা তাবিরব্রা - তারবদি পুম্বগীনি। ৱাখল খনবা খুদিং কান্নবা লৈ, লাল্লি হেক হায়বগা মী মশেন হাৎনবসু য়াই হায়নরিবসিনি। নুপী অমদা পূন্না নত্তবা শাজৎ চৎলুই হায়বগী নিপা মরি হাৎলনি হায়রিসিনি। ক্বেসন অশিবনা হাৎলিবসি মী কয়ানো? ক্বেসন হাৎলিবশিংদু হাৎলোইদবগী মরম লৈব্রা?

পরিক্ষা হৈতবা লমদম অমদা ক্বেসন লিক ওইবদি অরুবা নত্তে। ইতৎ তত্তনা থোক্লিবসিনি। লমদমসিনা মুৎত্রিবমখৈ থোকখিনি খল্লি। মী মখল খঙদোকপদা থৌদোকসিনা তাকই, মতেং পাংই। কনা অমনদি তুংদা চেকশিন্নবনি খনবা য়াই, মদুমক্তি থাজদে, শাজৎ অমা ওইরবনি হায়না লৌবনা চুমগনি। এল পিদগীনা এম পি এস সী ফাওবা পরিক্ষা হৈত্রিবা লমদম হায়বসি মালেমদা পংয়াম য়ামদৌরিবা নত্তে, লমদমসিখক্তবু ওইবসু য়ারিবনি। মিং খূৎচৎ-খূৎচত্তুগী ৱাতনি, ফি খূৎশেৎ-খূৎশেত্তুগী ৱানি। শেৎপোয় শেত্তবোয় তৌবসু ময়াম'মা লৈরিবনি। ৱাখলদুগী ৱাদুনি অমনা হন্থবা ওইনা লৌই, অমনা অৱাংবা ওইনা লৌই। লমদমসিদনা হৈনদবা ওইনা লৌই, মীগী লমদা চৎলগদি য়াওরি। শেৎনীংলক্তবগা শেৎকনি খঙদবগা খেন্নে, লোনচৎ খেন্নে, ৱাখলগী থাক খেন্নে। ক্বেসন লিক ওইরিবসিদি ফি শেৎকনি খঙদবা অদুমক্তি মান্দে, মাল্লকপদুনি। ইকায়বা খঙনরক্ত্রবদা ফিনা কৈদৌননি।

তৌখ্রবা থবক অমগী ৱাথোক ওইরকপগী ৱাহৌদোক করিনো খঙদ্রিঙৈ লেম্না থারোই হায়বসু য়াওবা মাল্লি। করি ৱাঙাঙ মাল্লিবগে, লোগী মথক্তা লৈবসু মাল্লকই। শেল হুরানবদি ফাদবা, ভোট হুরানবদি ফাদবা, ক্বেসন হুরানবা ফারগা কৈদৌগে হায়বনো? শেল অমুক চাগে হায়গদৌরিব্রা? নোট তৌরগা পাস তৌবা পাল্লিবসি নোট তৌরগা পরিক্ষা পাস তৌরকপা ওজানা তাকপা ওইরগনা কমদৌবা। মদুদি নোট তৌরগা লৈবাক ঙাকপশিংনা শেমদোকপা ঙমগদৌবদি মাল্লক্তে।

তরামাথোইশুবা থাক্কী মহৈরোয়শিংগী ৱাহং চে মাঙজৌননা চাইখায়রকপা হায়বসি কান্নবা অমনি হায়না লৌবা য়ারিবনি। মহৈরোয়শিংনা কয়া থৱায় য়াওনা পারমগনি, কয়া ফজনা ইরমগনি। মদুবুনি মহৈ তম্বদা পীগদৌবা থৌনা হায়রিবসি। ইরগা পুরক্লগা শিলহল্লবদি কান্নবদু পুম্মাং মাঙলে। শিলহনগে হায়রগনা ৱাহং খুদক্তা পীরগা লাইরিক্তগী য়েংলগা ইহনবসু লৈরিবনি। চাংয়েং মখল খেন্নবদুগী ৱানি।

ক্বেসন লিক ওইরে হায়বদি খঙনখিদবা, অখঙবা খরনা খঙলগা পোজিসন লৌখিবা য়াওরম্লবদি পরিক্ষা অদুগী চাংয়েং চুমখিদে হায়বনি। মী য়াম্না খঙলগনা লিক ওই হায়বা, মী য়ামদ্রগনা লিক ওইবা নত্তবসিবু চুম্মী হায়বা য়ারিবা চাংয়েংলা? মদু থোক্তনবা লৌ অমা শেম্বা চংই। ৱাহং চামরি-চামঙা শেম্লগা থল্লবা, চাংয়েং নুমিৎ-নুমিত্তা দ্রো তৌরগা পীরবদি লিক ওইবা লৈত্রে। মেছিন ফেল ওইরে খল্লো, নুমিৎ অমদা অমুক দ্রো তৌরগা য়ারগনি। চাংয়েং পরিক্ষাদু য়ৈথোক-য়ৈশিনগী ৱাখল চংলরোই, মতম মাঙলরোই, শেল মাঙলরোই। মপুক শেংদবা ক্বেসন সেটরশিংনা খঙবসু ঙম্লরোই। লৈবাক খরদদি চাংয়েং পরিক্ষা লৈতে, থবক থবক্তুগী খুদক-খুদক্তা চাংয়েং তৌরগা খনবা লৈ হায়বসি লমদমসিনা খঙবসু য়ারিবনি। ৱাথোক ওইরিবসি মী নত্তে, মদু থোক্তনবা লৌ (টেক্লিক) অমা শেম্বা হৈতবা অসিমক্লা ৱাথোক ওইরকপনি। পাননি, আলুনি খনবা হৈতবনি।

হন্দক্কী তরামাথোইশুবা থাক্কী মহৈরোয়শিংসি কয়াদা মরাইবক ফরবনো? শেল হেন্না তিংদনা মশাবু চাংয়েং অনীরক তৌজবা ফংবা হায়বসি কয়াদা কান্নখ্রবা খুদোংচাবা অমনো? মরিল তনবা, লাইরিক তমনীংদবশিংনা মতম মাঙই খনবা য়াওবা জাৎলা? লাইরিক হেন্না পাহনবগী প্রেসর অমা ওইরবনি। চহী মাঙগনি হায়বসু লৈতে- থাক অতৈদা ওইরবদি ৱাথোক চাওবসু য়াই। থৌদোক অসিমক্লা পরিক্ষাগী মওং অমদা হোংদোক্লবগী ৱাখল পোকহনবদি হৌরবনি। হৌজিক ফাওবগীদি মী অমবু চাংয়েং তৌবগী চয়েৎনদবা লৌ অমা লৈত্রিবগুম উহল্লি। থবক ফজনা তৌখি, তৌরি হায়জবনা চুল্লবা নত্তে, পার্ট অমা য়ারক্ত্রবদি গাড়ী অদু পূন্না য়াদবা ওইনা উগনি। পার্ট অমা নৎত্রগা অমা য়াগন্দবা হায়বসি অফবা গাড়ী ওইনা লৌনদে। অফবা শারগা, অচুম্বা শারগা, লেম্বা শারগা হুরানবা য়াহনবা হায়বসি অফবা সিষ্টম অমা ওইনা লৌরুবা য়াদে। মীওই খরনা মখোয়গীদমক খল্লগা হৌদোক্লম্বা ওইরম্বসু য়ারিবনি। মদু মুথৎপা ঙম্বদুবু মোদর্ন ওইবা হায়গদৌরিবনি, থবক হৈবা কৌগদৌরিবনি। ঐখক লান্দে হায়বসি অফবা শাবা য়াবা নৎত্রে হায়বনি।

ৱাথোক অসিদা চেন্নবা স্কুল অমা রিকগনিসন ককপা য়াই, প্রিন্সিপাল অমা দিসমিস তৌবা য়াই। করিগী? স্কুল হায়বসি মী অমগী মরল নত্তে, মহৈরোয়শিংদুগী অপূনবা বোদি অমনি। স্কুলদা চৈরাক পীবা য়াব্রা? মহৈরোয়শিংদুনা চোংথোক চোংশিন তৌহনবদি ইরায় লায়বা ওইনা লৌবদি য়ারোই। মহৈরোয়শিংগী মরাল লৈতে, চৈরাক পীবগী মমি মহৈরোয়শিংদা তাবা য়াদে। অকক্লবা মীওই অদু থিদোকপা তাবনি, মশাগী মরাল মশানা য়াজবা তাবনি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর শুদবা স্কুলশিংগী রিকগনিসন পীরিবা, মহৈরোয়শিংবু লল্লোনপোৎ ওইহল্লিবা মীশিংসু চৈরাক পীবা তারকপদুনি। অঙাং খুদিং মহৈ তম্নরবা মতমসিদা লৈঙাক্লা স্কুল কোন্ননবা পীবা ঙম্বা নৎত্রি। লৈঙাক্কী ওজাশিংগী মায় খুবা, লৈঙাক্লা থৌদাং লৌবা হৈতবা, তম্বীবগী মওং মান্নরক্তবা কয়াসিনা প্রাইভেট স্কুলশিং লিংখৎলকপগী মরম ওইরি। প্রাইভেট স্কুলশিংগী মরক্তগী ক্বেসন লিক ওইরম্বা তারবদি মহৈ তম্বদা শোকপা চৈরাক পীবা য়ারোই। ক্রাইম অমা তৌবগী ফংফম থোকপা চৈরাক অদুদগীদি নাম্থোকহল্লোইদবনি। লো চৎনহনবা ৱাবা লমদমনি, লৈবাক্কী মিনিষ্টরশিংগী মথক্তা লো কোর্টকী য়াথং লাউথবা হৌনরক্লবনি। মখোয়গী মরাল খুদিংমক কোর্টনা খঙলবা নৎত্রি। মখোয়না ক্রাইম তৌবা মী অমদা চৈরাক পীবা ঙমদে। মখোয়গা শম্নরগা ওজাশিংনা মখোয়গী মতৌ তম্নরবদি মাঙজগদৌরিবসি মহৈরোয়শিংনি, মুৎকদৌরিবনা লৈবাকনি।

লাল্লবসু কোর্টতা থেংনরগা নাম্থোক্লবা হোৎনরগা লোইরে খন্নরম্লবদি কমদৌবা? লো হায়বসি কনাগুম্বা খরগী খূৎলোকপী মরু ওইনা উবসু য়াওরম্লিবনি। ক্বেসন হুরাল্লগা য়েংথোক্লরক্লিবসি লো কিদে, মী কিদে হায়রিবনি। কিহনবনা য়ারোই খঙহনবা তাবনি, শাজৎ ওইহনগদৌবনি। তম্বীবা ৱাৎপগীনি, তম্বীবা ঙমগদৌবনি। মথৌদাংদু খঙহনগদৌবনি, মতমসিগী মী ওইহনগদৌবনি। হুরানবশিংনা লুচিংবা খুন্নাই অমদা হুরান্দবা মহৈরোয় থোক্লকউ হায়বা য়াগদৌবা লৈতে। মমা-মপাসু য়াওনা ক্বেসন হুরানবগী হৈনবী, চৎনবী অমা লৈরবরা হায়বসি চিংনবদি লৈরে। ওজাশিংনা ক্বেসন য়োনবা পান-দুকান ওইরকপা য়াওরক্কদৌরিব্রা? হুরান শাজৎ চৎলিবসি মী অমখক্তা নত্তে।

শোয়রক্লিবসি মীওই অমা নৎত্রগা অমখক ওইনা উবা লানগনি। লৈঙাক্লা শোয়বা, ওজাশিংনা শোয়বা, লৌ শেম্বা হৈতবগী ওইগদৌরিবনি। ৱাখল পিক্লবদি য়েনগোন অপিকপা অমদা য়েন ময়াম চিক্লহনবগুম্বনি। থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈগী ৱাখল খনবগী কাঙলোন থাদোক্কদৌবনি। মী অমনা মীনম্লগা শান্নবদু মী ময়াম খঙহন্দবা য়াবা লৌ তৌনবা য়াহল্লোইদৌবনি। মী অমদা মদুগী খুদোংচাবা পীবগী কাঙলোন লৈহল্লোইদবনি। ফিজিকেল চাংয়েং তৌবদা মী মহুৎ শিল্লগা চেল্লি হায়বসু তাখ্রে। মসিনা তাকপদি মীওই খরগী কোক্তা মশাগী ওইজবতা খনবদু লৈঙাক অমদি থৌশিল পায়রিবশিংসু য়াওশিনখ্রে হায়বা তাকপনি। মদু চুমথোক্তনা মীওই তরাখক চৈরাক পীবনা লাইচৎ ওইরবা লায়না অমা কোকহনবদি ঙল্লোই।

মী হায়বসি মরমচৎ য়াওদ্রগনা শানি, মরমচৎ ফজবা ঙল্লগনা লাইনি হায়নরিবনি। মদুদি মী খুদিংমক লাইরিক তম্বা ফংদ্রিঙৈগী ৱাখল খূৎখন্নি। হৌজিক্তি মীওই অমনা লাই শাবসি য়াহল্লরোইদৌবনি। লাইরিক তম্বগা লাই নীংবগা শম্নবা অথিংবা লৈরবনি। মীওইবা কৌবনিনা অপঙলাই লাৎপশিংদসু অথিংবা থম্বা য়াদে খনবসু অদুমক য়াওনরি। মালেম শিনবা থুংনা লাই নীংবগী স্কুল লিংখৎনদ্রিবা করিগীনো? লাইশঙ হায়বসিদা মীওই অমনা মীনম্বা য়াহনবা ময়াম লৈরে। মদুমক্লা লাই নীংবা থাদোক্লবগী মরম ওইরকপসু য়ারিবনি। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি হায়বশিংসি মীনম্নরবসু য়াবা মফম ওইনা উরি। মদুমক ক্বেসন শেন্নবশিংনা মরক মরক্তা উথোক্লকই হায়বা য়ারি।

লাইরিক হৈবশিংনা মী অমা চাংয়েং লৌবা হৈরক্তবা হায়বসি মী অমগী অশোয়বা ওইনা উবা য়ারোই। মসিদি খুন্নাই অমগী লায়না অমনি। লায়েংবা হৈত্রবদি লাইরিক হৈবা কৌরোই। হুরাল্লগা, মীনম্লগা, খুদোংচাবা লৌনবা য়াহনবা হায়বসি লাইরিক হৈরবশিংগী থৌশিল নত্তে হায়গনি। মীওই অনী-অহুমদা পূন্না শিন্নরগা মী অমখক্তা চৈরাক পীবসু লানগনি। অরোনবা থবক তৌবা য়াহনবা হায়বসি অরানবা তৌহন্নবা শিনবনি। অরোনবা থবক তৌবশিংনা কান্নবদু তুমিন্না লৌবা হৈতবশিংনা ৱা-ৱা লাওহল্লে খল্লম্বসু য়ারি। ৱা-ৱাদি লাওখিদ্রবা ক্বেসন খঙদোক্লগা কান্নবা লৌখ্রবা ময়াম (চহী) অমসু য়াওরম্লগনি হায়বগী থাজবসু লাক্লে।

ক্বেসন লিক ওইরমদ্রবদি খুদোংচাবা লৌনখিবগী ৱা কয়াসি নীংশিংনরমদবসু য়াই। সিষ্টম অমা শেম্বা ঙমদ্রবদি মীওই খরনা খুদোংচাবা লৌবা ঙমহল্লিবসি মরাল লৈতে হায়বা য়ারোই। মোবাইল ফোন লৈত্রিঙৈ কয়ারক হুরানবা য়াওরম্লগনি। মীপূম খুদিং মন্ত্রগুম্বা অমা শোল্লগা পুকচেল শেংহনবসু ঙল্লোই। ক্বেসন লিক ওইবসিনা অনৌবা থৌরাং অমা পায়খৎনবা লম্বী য়াৎপদি হৌরনি। ক্বেসন হুরানবা পাম্বশিংনা মোবাইল ফোন শাবা ঙল্লক্কনি হায়বগী থাজবদি লাইনা হায়রবসু থাজদে। ●

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।